এৱ্যার্নেস ট্রেনিং প্রোগ্রাম
ওন নেচরেল ফা্মিং
ফোর্ গ্রাম প্রধানস



# Study Material for Awareness Programme for Gram Pradhans on Natural Farming

**Translated into Manipuri language**

**Translated by**


S. Bidyalakshmi Devi **(name)**

Block Technology Manager (BTM) **(designation)**

Manipur **(address)**


Revitalising
Rainfed Agriculture
The RRA Network
MANAGE
NATIONAL COALITION
মহৌশাগী লৌউগী
কাঙলোনশিংবু
মুন্না থঙবা
প্রধানশিংদা পীনবা মহৌশাদী লৌউ কাঙলোনগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম
Natural Farming Training program for Gram Pradhans

# নেচরেল ফার্মিং ( মহৌশাগী ওইবা লৌঊ) গী কান্নবাঃ

নেচরেল ফার্মিংগি কান্নবা

- লৌঊ শেঞ্চং হন্থনবা
- পোত্থা মসিং হেনগৎহন্দুনা
  ক্রোপিং ইন্তেনস্সিতি ৱাংহনবা
- শা শনগী মচিঞ্জাক ফংহনবা

মহৌশাগী খুদোংথিবদগি কনবা
লৌফমশিংবু ফগৎহনবয়া
পাম্বিগী ঈশিং য়াম্না চঙহন্দবা য়াবা



ভারত পুম্বগী রাইজ্য খুদিংমক্তা লৌমী লাখ কয়ানা তুং কোইবা হিংননবগী লম্বি অমা ওইনা মহৌশাগী ওইবা ওকোয়বগি ফিভমগা চানবা লৌঊ পথাপ্লোমদা মায় ওনশিন্নরক্লি।. মসিগী মরম অসি খরা অমনা হঞ্জিল্লক্লিবা মমাঙঙৈগী ওইবা লৌঊবু পামজবা, খরা অমনা লৌঊ শেঞ্চঙ হন্থহনবা পাম্বা অসিনি। মহৌশাগী লৌঊগী কাঙলোনশিং অসি মফম মফমগী অকোয়বগী ফিভমগা চানবা মওংদা মথন্তা ওইজরকপা ঙাক্তনি। মসিবু পায়খৎপদা শিজিন্নরিবা পোৎচঙশিং–পাম্বি মখল, হার, তীলহাৎ হিদাকনচিংবা খুদিংমক অসি মফম মফমদুগী ফিভমগা চানবা খন্দুনা শিজিননবা ঙাক্তনি।। খুদম ওইনা হায়রবদা শিজিন্নরিবা পোৎচংশিং অসি মশাগী ফার্ম নত্রগা মনাক নকপা মফমশিংদগী পুশিল্লক্লগা শিজিন্নবনি। মসিনা মরম ওইরগা কৈথেলদগী পোৎচঙ লৈদ্রে লোইননা শেঞ্চঙ হন্থহল্লে।

কাঙলোন চুন্না চাং চাবা লৈবাক লৈহাও থম্বগা ইরোইননা চহী অমগী মনুঙদা অনিরক অহুল্লক তোঙান তোঙানবা পোত্থোক পুথোকনবা হোৎনবা হায়বসিনা মহৌশাগী লৌঊগী মরু ওইবা পান্দম ওইফম থোকই। মসিনা লম মচেৎ অমদগী পোত্থোক য়াম্না পুথোকপদা নত্তনা শা শনগী মচিঞ্জাক্সু পীবা ঙমহল্লি। য়োক্লিবা শা শনগী মখী ময়ুঙনা –খুদম ওইনা শন–ইরোই, ঙানু য়েন, হামেং নত্রগা ওক্কি ওইনিংবসু ওইসনু মথোয়গী মখী ময়ুং অফবা মখলগী  হার ঙাক্তনি। মসিনা লৈহাও কাহনবা ঙম্বা হিংকুপশিংসু মশিং হেনগৎহন্দুনা পোত্থোক মশিং য়াম্না পুথোকপদসু মতেং পাংই লোইননা শাশিংগী মচিঞ্জাক্সু পীবা ঙমহল্লি।

পাম্বি থনবদসু মফমদুগী ওইবা চানরবা মওং ওইবনা মফমদুগী ফিভমদা নিংখিনা হৌবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা পাম্বি মথলশিং মথং মথং থাবনা লৌফমদগী ঈশিং চেন্থদুনা মাঙবসু হন্থহনবগা লোইননা ঈশিং ফাজিনবা ঙমবগী ফিভমসু ফগৎহল্লি। অসুন্না ঈশিং কা হেন্না চঙবদগীসু কনবা ঙমই।

পোৎ হৌদবা লমহাংনচিংবা লৌউ শিংউ পায়থৎপা য়াদবা মফমদা অয়াম্বা মতমদা লৈবাক অদু কংদুনা লৈ অদুবু মহৌশাগী লৌউ পায়থৎলবদি মফমদুদা হিংকুপশিংগী মথৌ তৌহন্দুনা লৌ উবা য়াহল্লি। মরম অসিনা লৌ উবা য়াদবা মফমশিংবু শেমগৎপদা শা শন য়োকলকপা মরম্না মহৌশাগী লৌউনা চাওনা মতেং পাংই। .

## হিংননবা মচাক অমসুং শেন থুমদা কান্নবা




- মফম অমদগী ইংকম হেনগৎহনবা
- অফবা চিঞ্জাক ফংবা
- শা শণ, ঙানু য়েন, খোই লইদুনা অহেনবা ইংকম তানবা
- শা শণ, উ- ৱা, তেজ পত্তা, হয়িং খোই লোইবা অসিনচিংবনা অকোয়বগী ফিভমদা ফগৎহনবা

## হিংননবা মচাক অমসুং শেন থুমদা কান্নবাঃ

মফম মফমদা (লোকেলদা) ফংলিবা মপোৎশিং শিজিন্নদুনা শা শনগা পাম্বিগা পুনশিন্দুনা অমদি মলতিপল ক্রোপিং(চহি অমগী মনুঙদা পাম্বি অমগী মথংদা অমা লেপ্তনা থাবা) তৌবনা শেঞ্জঙ হন্থহনবতা নত্তনা শেল লাকনবগী মচাক হেনগৎহল্লি। অসুন্না পুনশিনবা মওংগী লৌউ পথাপ অসিনা লৌফম অমগী পোথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা শা শন্, ঙা, খোইহি অসিনচিংবদগী অহেনবা ইংকমসু তানবা য়াই।

.

লোইননা মহৌশাগী লৌউ হায়বসি মফম মফমদুগী মহৌশাগী ফিভমদা য়াম্নমক তাংজরিবনি। উমং লৈবা মফমদা এগ্রোফোরেষ্ট্রি (লৌউ পাম্বিগা উ ৱাগা পুনমিন্নবা) মোদেল অমা শেমদুনা পায়খৎপা মতমদা মখল মখা কয়াগী লৌউ পাম্বি কয়া অমা থাদুনা মফমদুগী থৱায় পানবশিংগী (বাইওদাইভর্সিতি) মশিং হেনগৎহনবতা নত্তনা চিঞ্জাক পাম্বি নত্তবা খোই, ৱা, তেজপত্তা অসিনচিংবা পুনশিন্দুনা ইকো সিষ্টেম ফগৎহনবগী মখৌ পাঙথোক্তুনা মমলসু কানা য়োনবসু য়াগদৌরিবনি। পুন্নমকসিগীসু মখক্তা মখল মখা কয়াগী পোথোক পুথোকই লোইননা মপান্দগি থুৎশেমগী ওইবা হিদাকশিং শিজিন্নদবা মরম্না পুথোক্লিবা চিঞ্জাক্তুগী মগুন (ন্যুত্রিশনেল ক্কুওসিএন্ত) হেল্লি। মচন শুবা চিঞ্জাক ফংদুনা ইমুংদুগী মীওইশিংগী মশা ফবসু হেল্লি।





## মহৌশা লৌঊগী মরু ওইবা থৌওংশিং(প্রিন্সিপল):

1. নুমিৎ ৩৬৫ বাইওদাইভর্সিতিবু কোনশিনবা
2. মখল মখা কয়াগী লৌউ পোথোক/পাম্বি উ থাবা
    - চহি অমগী মনুঙদা অওন পোথা অমদি পুনশিনবা য়াবা মহৈ মরোংশিং পুন্না থামিন্নদুনা ফৈনা অমদি য়ুংনা ( ভর্তিকেল্লি অমসুং হোরাইজেন্তল্লি) পোথোক মশিং হেনগৎহনবা
    - পুনশিন লৌউ য়াননবা মওংদা শেম শাবা
    - চহি চুপ্পা অহিংবা মরাশিং থমদুনা লৌফম্বু অশঙবা পাম্বিনা কুপ্পুনা থম্বা
    - মনা মশিং অমসুং উহৈ পাম্বিশিং মতম লোনশিন্নদুনা থামিন্নবা
    - মফমদুগী ঈশিংগী থুদোং চাবা অমদি অইং অশা/নোংজু নুংশাগী ফিভমগা চান্ননা পোথোক শিং থানবা হোৎনবা
    - নোংগী ঈশিং ফাজিন্দুনা য়োকশিনহৌনবো উপাইশিং-থোংবান পুথ্রি, ঈশিং পুথোক পুশিনগী তোঙানবা এনর্জিগী পাম্বৈশিং থম্বা
    - নুংশিত্তগী ঈশিং ঈনীল ফাজিনবা ঙম্বা অমদি লৈবাকপু চহি চুপ্পা ঈনিল ফংহনবা ঙম্বা মওংগী পোথা ফংনবা শেম শাবা(দিজাইন)
    - পাম্বি অমদি শা ঙা থৱাই পানবশিংনা পথ পুম্থদুনা ওইরকপা মচন (ওর্গানিক মেতর) হেনগৎহন্দুনা ঈনীল ফাবা ঙম্বা লৈবাক লৈহাও ওইহনবা
    - মাইক্রো ইরিগেশন (ড্রিপ, স্প্রিঙ্কলরনচিংবা) তৌদুনা ঈশিং চনবগি কান্নবা হেনগৎহনবা, মতিক চাবা ক্রোপিং সিষ্টেম শিজিন্নবা
    - ঈশিং নুংশিৎকি ফিভম, লৈবাক লৈহাওগী ঈনিলগী ফিভম কুপ্না শেন্নবা
3. বাইও স্তিম্যুলেতর শিজিন্নদুনা মপুং ফাবা পোথোক পুথোকপা
4. লৈবাক লৈহাওবু কা হেন্না লেংহন্দবা

লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবা মচাকশিং ফিজিকেল ফেক্টরস(লৈশাগী ফিভম, ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগী ফিভম, অসিনচিংবা), কেমিকেল ফেক্টরস (ই সি, পি এইচ, পাম্বিনা লৌশিনবা ঙম্বা মচিঞ্জাক য়াওবগী চাং, অসিনচিংবা) অমসুং বাইওলোজিকেল ফেক্টরস(হিংকুপশিংগী মখলশিং য়াওবগী চাং, অসিনচিংবা) পুন্নমকশিং য়েংশিনগনি।

- সোইল ইরোজন (লৈবাক লৈহাও চেন্থোকপা) থিংবা
- লৈবাক য়ৈশিনবা থিংবা, লৈবাক হন্থনা খোইবা, শা শন্না শম্পোৎ খোইবা
- লৈবাক য়াকশিনহন্দবা, ওর্গানিক্কি মচাকশিং য়াওহনবা, মহৈ মরোং মখল হোংদোকপা, অহিংবশিংগি পথরবা (ওর্গানিক মেতর) হেনগৎহনবা
- ওর্গানিক মেতর হেনগৎহনবা, কম্পোষ্ট শেম্বা, লৈমাই কুপশিনবা, মেন্যুর হাপ্পা
- য়ুমদা শেম্বা হিংকুপকি হার শিজিন্নবা, ইফেকতিভ মাইক্রো ওর্গানিজম/ ইন্দিজিনস মাইক্রো ওর্গানিজম শিজিন্নবা



5. মহৌশাদগি ইরমদম্গী মরু শিজিন্নবাঃ

- ইরমদমগী পাম্বিশিং মশক থঙদোক্লুনা য়োকখৎপগা লোইননা দোকুমেন্ট তৌবা, মেপিং তৌবগা লোইননা মশক মগুন থঙদোকপা
- পুন্না চৎমিন্নদুনা পাম্বি মখল খনদোকপগা লোইননা থাবগী মগুনশিং থঙদোকপা, মখোয়গী য়াম্না হৌফম ব্লোক, মফম মফমগী উৎলকপা মগুনশিংগী দেতা শেম্বা, মখোয়গী মগুনশিং তাকপা কেতালোগ পুথোকপা
- বাইওসেফতিগী য়েংলগা জি এম ও শিজন্নবা য়াদবা
- ওরগানিক সীদ হব; পেরেন্ট লাইন থম্বা(য়োকখৎপা, ব্রীদিং তৌবা, ত্রেনিং তৌবা, মরু পুথোকপগী কেপাসিতি বিলদিং তৌবা, পাম্বি য়োকখৎলিবশিং, ব্রীদরশিং, মরু পুথোকপশিং অমসুং য়োনফম কৈথেলবু পুন্নমকশিংগা মরি লৈননবা হোৎনবা
- লোকেল প্রোদকশন অমসুং শন্দোক য়েন্থোক তৌনবগিদমক মফমশিং কম্যুনিতি সীদ বেঙ্ক কম্যুনিতি এন্তরপ্রাইজেজ, ফার্মস সর্ভিস সেনতরশিংগা থুৎশন্নদুনা লিংখৎপা
- সীদ সোর্স লাসেন্সিং হাংদোকপাঃ পাম্বিশিংগি জিনেতিক মেতরিএল শিজিন্নবা য়াবগী নিং তম্বা ফংহনবা, মদুদগী পুথোরকপা মখলশিংগী অককনবা অমত্তদা পীবা খুদোংচাবা/হক লৈহন্দবা
- প্রোসেসিং অমসুং ভেল্যু এদিশন তৌদুনা শিজিন্নবা হেনগৎনবা তোঙানবা পুথোরক্লিবা মখলশিংগী মগুন হাপকৎপিবা

6. শা শন হাপচিন্দুনা লৈহাওগী ওর্গানিক মেতর হেনগৎহনবগা লোইননা লৌউ পোৎচঙ পুথোকপা
7. খোইবা, থাবা, হাবেংবা, অসিনচিংবা লৌউ কাঙলোন (এগ্রোনোমিক প্রাক্তিস)কা লোইননা মনা মশিংদগী শুংবা হিদাকনা লায়না তীন্না ঙাকথোকপা
8. খুৎশেমগী হার, তীলহাৎ হিদাক, নাপি হিদাক, অসিনচিংবা শিজিন্নবা য়াদবা

- তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিং পুন্না শিজিন্নদুনা লায়না তীন্না হেঞ্জিল্লকপদগী কনবা
- মহৌশানা খল (বেলেন্স) অমা পুরক্লুনা লায়না তীন্নানা পোথোক মাঙহনগী ঙাকথোকচবা
- মীওইবা ঐখোয়না য়েৎশিনবিরুবা তৌদবনা মহৌশানা মশা মতোমতা চপ চাবা খল অমদা লাকচদুনা খুৎশেমগী তীলহাৎ হিদাক মখৌ তারক্তে
- তীন কাংগী বাইওলোজি অমসুং থারিবা পাম্বিগী অকোয়বগী ফিভম মুন্না থঙবা মখৌ তাই মসিনা শেন্নবা লায়গনি- পাম্বিদগী শুংবা, হিংকুপ্লা শাবা হিদাক য়ুমদা শেমজবা নত্রগা কোমর্সিএল থাক্তা শেম্বা

- পেষ্ট সর্ভিলেন(লায়না তীন্না কুপশেন শেন্নবা)ঃ ফার্মগী থাক অমসুং থুঙ্গংগী থাক্তা ত্রেপ শিজিন্নদুনা  সর্ভে তৌদুনা মশক থংদোকনবা হোৎনবা অমসুং অখঙ অহৈশিংদগী পাওতাক লৌনবা হোৎনবা
- অচম্বা থুৎলাইশিং –ক্লিপ চার্ত(লায়না থিবা য়াবা চার্ত), অইবা মচাক, অতোপ্পা উপায়শিং শিজিন্নদুনা প্রোব্লেম থংদোকনবা        হোৎনবা
- লৈকাইদা বাইও ফর্তিলাইজর অমদি অতৈ পোৎচঙ পুথোক্তুনা অমদি য়োনবগী দুকান হাংহন্নবা শিনবা
- চয়োলগী ওইবা লায়না তীন্নাগী ফিভমগী মরমদা পাওতাক/পাওজেল শন্দোকপা



## ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওসি শিথরক্লিব্রা?

করম্না ঐখোইনা লৈবাক লৈহাওবু হিংগৎহনগনি?

লৈবাক লৈহাও হায়বসি য়াওদনা অয়াম্বা পাম্বিনা হৌবা ঙমদে.। লৈবাক লৈহাও লৈত্রবদি ঐখোয়গী চিঙ্গাক লৈররোই হায়বা য়ারে লোইননা শা শনগী মচিঙ্গাকসু লৈররোই। । লৈবাক লৈহাওদি পঙ্খে নাইবগা লোইননা কায়গনবা পোৎশক্কুম্বনি, য়াম্নসু মরু ওইবা চেকশিন্না শিজিন্নগদবা পুক্কে অমনি। অয়াম্বা সব সহারান আফ্রিকাগী লৈবাক লৈহাও অয়াম্বদা হার লিকনা শিজিন্নবা মরম্না মহৈ মরোংশিংনা লৌথোকখিবা অদুগা লৈহাওশিং হঙ্গিনবিদবা মরম্না চাথোক শাথিনা হন্থবক্লে। মসিনা তাকপদি ঐখোয়গী **লৈবাক লৈহাও অসি শিথরক্লি হায়বনি।**




লৈবাক লৈহাওবু করম্না অমুক হিংগৎহনগনি?

ওইথোকপা য়াবা থৌওং অমা হায়রগদি শন্থি শনয়ুংগি হার, কম্পোষ্ট, ভর্মিকম্পোষ্ট, হাপ্পা, গ্রীন মেন্যুরিং তৌবগা লোইননা সোইল কঞ্জর্ভেশন তৌবা অসিনা ওইথোকপা য়াই।. তৌবতবু শন্থি হায়বসিনা খ্বাইদগি কান্নবা চঙদবা য়াদবা পোৎলম অমা ওইবনা শণ লোইদুনা শন্থি তাদবা মফমদনা লৈহাও শিথরকপগী খ্বাইদগি চাওবা মরম অমদি ওই।

<u>হাপ্পগী কাঙলোনঃ :</u>

- পোৎ থাদুনা লৈমাইবু কুপশিন্দুনা লৈবাকপু ইংথহনবা অসি চহি চুপ্পা তৌবিবা
- লৈমাইবু কনশিনহনদনা তারক্লিবা নোংগী ঈশিংবু লৈনুঙদা চঙথিনবা হোৎনবা
- পাম্বিগী মরাগী মনাক্তা ওর্গানিক মেতর হেনগৎহনবনা ঈশিং ফাজিনবা চুপশিনবা ঙমহনবা
- মরা পাক শন্না অমদি লুথনা তাহন্নবা শেম্বিবা


## অহিংবা লৈবাক্তা করি য়াওবগে?




ফোতোশিদা মখল কয়াগী অপিকপা মিৎনা উবা ঙমদবা অমদি ঙম্বা থৱায় পানবা কয়া খুদম ওইনা তিনেথ্রাক, হিংকুপ (বেক্তিরিয়া, কোকফাই অসিনচিংবা কয়া অমা লৈহাওদা য়াওরি হায়বদু তাক্লি। লৈনুঙগি থৱায় পানবশিং অসি হিংমিন্নবা অমগা অমগা মরি লৈনৈ। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাওবু মশা ফনা থম্নবা লৈনুঙদা হিংনিন্নরবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা চিঞ্জাক্কি নিংখিবা মরি লৈনবা মথৌ তাই। হিংলিবা থৱায় পানবশিং অসিনা এঞ্জাইম অমসুং অতোপ্পা মহিশিং থাদোরক্তুনা লৈবাক্তা লৈহাও হাপচিল্লি। অমরোমদা হায়রগা মখোয়শিং বসিবু পুল্লপ্পা ওর্গানিক মেতর হায়রিবা অদুনি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি পাম্বিগী হিংলিবা মরাগসু অদুমক মরি লৈনৈ। মসিগী মনুঙদা চেল্লিবা ৱাহন্থোক্তি পাম্বিনা চীনী পুথোকই হায়বনি। পুথোক্লিবা চীনী অপুনবগী ৪০% দি মনা অমসুং মহৈশিংদা তুঙশিল্লি, ৩০% অমনা মরাদা অদুগা মসিগী শরুক অহুমগী অমদি লৈহাওদা থাদোক্তুনা পম্বিবু মশা ফনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হিংকুপশিংগী মচিঞ্জাক ওইনৈ। মসিনা পাম্বিগী মরা লৈবাক লৈহাও অমসুং হিংকুপশিংগী মরক্তা হকথেংননা মরি পুন্নমক লৈনৈ হায়বদু তাক্লি। মরম অদুনা মখল মথা কয়াগী পাম্বি কয়া কাংলোন মখল কয়াদা থাবনা লৈবাক লৈহাওবু ফিভম ফনা থম্বদা /পুরকপদা খুৎলৈ থুহনবা হেনগনি। লোক্লবা মতুঙ ফাওবদা পাম্বিশিংদুগী মরানা লৈনুঙদা হিংকুপশিংদুগা লোইননা হিংহৌরবদি, লৈবাক্তুবু লৈহাও চেলহনলমগনি। বিজ্ঞ্যান্নদি কার্বোন গ্রাম অমনা ঈশিং গ্রাম অমা ফাজিনবা ঙমই হায়রি। মরম অসিনা কার্বোন য়াম্না য়াওরিমখৈ লৈবাক্তুনা ঈশিং ফজিনবা ঙমই। লোইননা ওর্গানিক মেতরগা লোইননা কোকফাইগী মরি মরাং, বেক্তিরিয়া পুন্নমক অসিনা লৈবাকপু হোম হোম লাওহনবদা মতেং পাংদুনা লৈবাক্তুদা অহোবা মখুন মরাং কায়হন্দুনা ঈশিংগী ফাওদোক ফাওজিন য়াহল্লি লোইননা চুপশিনবসু ঙমহল্লি য়াম্না ফাজিনবা ঙমহল্লি মরম অসিনা ওর্গানিক মেতরশিংগী মচাকশিংদা ঈশিং নপ্তুনা লৈবনা ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগী পাঙ্গলসু হেল্লি।

লৈবাকনা কদায়দগি পাম্বিগী মচিঞ্জাক মচনশিং ফংবগে?

লৈবাক লৈহাও হিংদুনা থম্লবা ওর্গানিক মেটর তঙাই ফদে




## লৈবাক লৈহাওদা ঈনিলগি চাং করম্না হেনগৎহনগনি?

লৈবাক লৈহাওগী ঈনীল হেনগৎহন্নবা থৌরম ময়ামগী মনুঙদা ওর্গানিক মেতর হেনগৎহনবা হায়বসিশু অমনি। মসিগিশু মথক্তা অতোপ্পা থৌরমশিং–লৈবাকপু কুপশিনবা(মলচিং), ওর্গানিক্কি হার হাপ্তুনা পাম্বি মখল য়াম্না থাবা, মফম চানা উ থাজিনবা লোইননা মতম চুপ্পদা লৈমায়বু পাম্বিনা কুপ্তুনা থম্বা হায়বনচিংবা পুন্নমক্সি ঈনীলগি চাং ফগৎনবা উপাশিংনি।

মলচিংনা ঈনীল পায়থোকখিবদগী ঙাকথোকই, মসিনা ঈনীল মাঙহন্দে। উ অমদি পাম্বি মখলশিং থাদুনা মতম চুপ্পা লৈমায়বু কুপ্তুনা থমবনা ঈশিং চেন্থখিবগা ইরোইননা লৈহাও চেন্থদুনা মাঙবদগী কল্লি লোইননা নুংশিৎতগী ঈনীল লৌশিনবসু ঙমহল্লি। ওর্গানিক হারনা লৈবাক্তুদা অহোবা মখুন মরাং কায়হন্দুনা ঈশিংগী ফাওদোক ফাওজিন য়াহল্লি লোইননা চুপশিনবসু ঙমহল্লি য়াম্না ফাজিনবা ঙমহল্লি মরম অসিনা ওর্গানিক মেতরশিংগী মচাকশিংদা ঈশিং নপ্তুনা লৈবনা ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগী পাঙ্গলসু হেল্লি।

মথক্কি ফিভমশিং অসি মফম মফমদুগী লৈজবা ঈশিং নুংশিৎকি মচাকশিং অমদি ঈশিংগী পাম্বৈ শিজিন্নদুনা পাম্বিশিং থারবা মতমদা ওইথোকহল্লি। নোংগী ঈশিং ফাজিন্নবা বন্দ, পাইপলাইন, এনর্জী সোর্স, থোংলম, পুখ্রিনচিংবশিংগী নেটৱর্ক (গ্রিদ ব্লোক) শিজিন্নবা হাপচিনবা য়াই। অসুন্না দ্রিপ,

স্প্রিংক্লরনচিংবা মাইক্রো ইরিগেশনগি অমদি চানবা ক্রোপিং সিষ্টেম শিজিন্নদুনা ঈশিংগী কান্নবা হেন্না ফংনবা হোৎনবা য়াই।

# মথল মথাগী পাম্বিশিং অমসুং মরু

## মথল মথাগী পাম্বিশিং অমসুং মরু

ফার্ম মনুঙগী লম্না খ্বাইদগী ফবা ওর্গানিক মেটর ফংফম্লি



মথল মথাগী পাম্বিশিং ফংনবা মথল মথাগী মরু তঙাই ফদে

- মফমদুগী লৈহাওগা চানবা
- মফমদুগী ঈশিং নুংশিৎকা চানবা
- খেন্নবা নোংজুশিংদা থাঙবা ঙম্বা

মনা পুঙবা উ নত্রগা লৈবাক কুর্পশিনবা ঙম্বা পাম্বি থাবা



# মথল মথাগী পাম্বিশিং অমসুং মরু

মথল মথাগী পাম্বি থাবা হায়বসি মহৌশাগী লৌউগী মরু ওইবা মচাক অমনি, মসিদা পাম্বিশিং মথং মথং অমগী মতুঙদা অমা থাজিনগদবনি। পাম্বি মথল ৮-১০ থাদুনা মফমদুদা তাংকক নাইনা অরেমথাক ময়ামগী তুঙশিনফম ওইহন্দুনা লৈমায়বু মলচিং তৌহন্নবা হোৎনদুনা লৈবাক মশা ফনবা হোৎনগদবনি। মলতিপল ক্রোপিং তৌবনা কম্পোষ্ট হাপত্রফাওবদা হায়রিবা লৈমাই অমসুং লৈথা কোন্ননবা মচাক পুথোকপা ঙমহল্লি।

<u>মলতিপল ক্রোপিংগী কান্নবাঃ</u>

- ঈশিং নুংশিৎ থেন্নরকপদা থাঙবা ঙমহল্লি
- খুদোং থিবা হন্থহল্লি অহেনবা ইংকম লাকহল্লি
- মথল মথেলগী চিঞাক ফংহল্লি
- লৈবাক লৈশা ফগৎহল্লি।

মতম অমত্তদা নোংজুথা লাকপদা মান্নদবা পাম্বিশিং হুনমিন্নবা মরম্না মাগী মাগী মপুঙ ফাবা/লোকপা মতম মান্নররোই মলতিপল হার্ভেস্ত তৌবা য়াররনি। সেপ্তেম্বর-ওক্তোবরদগী লোকপা হৌবনা ফেব্রুয়ারি থা ফাওবা লোকপা য়াররনি।

লৈমাইদু ফেব্রুয়ারি থা ফাওবা কুপশিন্দুনা লৈরনি, মসিনা মরম ওইরগা লৈমাইদু থা ৯-১০ নুংশা য়েদনা লৈরনি, পাম্বিশিংদুগী মনা কয়া অমগা লোইননা ঈনীলগা মৈশাগা চাং চানা থমদুনা লৈশা ফগৎনবা মচাক ওইরনি। থারিবা পাম্বিশিং অৱাং অনেম থাইদোক্তুনা থাদুনা নুংশাগী মৈশা চাং মান্ননা ফংনবা হোৎগনি। পাম্বি মথল য়াম্না থাবনা থাবগী ক্রোপিং সিষ্টেম্না লৈবাক্কি বল্ক দেন্সিতি (লৈশাগী অকুঙবা), লৈশা হোম্বগী চাং, ঈশিং চুপশিনবগী, ফাজিনবগী, নুংশিৎ য়াওবগী, লৈহাও চেন্থবা চেন্থদবগী, ঈনীলগী খুদিংমক্কি চাং চানা থমদুবা লৈবাক লৈশাবু ফনা থম্বা ঙমহল্লি।

মী অয়াম্বনা মহৈ মরোং কয়া অমা লোকপদা এন পি কে লৌথোকখ্রবসু লৈবাক অদু অদুমক লৈহাও  চেন্দুনা লৈগনি থল্লি। অদুবু হৌজিক্কি লৌউ মওংগা মহৌশাগী লৌউগা অনিসিদা চাওনা থেন্নবা লৈ। অহানবগিসিনা লৌথোকপগী শরুক্তনি অকোনবগিসিদনা পাম্বিনা ফংবা ঙমদনা লৈরম্বা ফোস্ফোরস, পোটাশিয়ম অমদি অতোপ্পা পাম্বিগী মচল কয়া লৈবাক্তা য়াওরিবা হিংকুপ কয়া মথৌ তৌহন্দুনা পাম্বিনা ফংবা ঙম্মী। হায়রিবা অসি তোঙান তোঙানবা পাম্বিশিং মরা লুনা/থেন্না চৎপা মচল শিজিন্নবা থেন্নবা কয়া অমা ওইবনা য়াওরিবা ফংলিবা পাম্বিগী মচল খুদিংমক শিজিন্নবা ঙমহল্লি।

মহৌশাগী লৌউদা লায়না তীন্নাগী ঙাকথোকপসু থেন্নবা পাম্বি ওইবনা ঙাকথোক ঙাকশিন মশিং হেনগৎ হেনধা তৌবনা অদুমক ঙমহল্লি। পাম্বিগী মনা চাবা তীনশিংদগী ঙাকথোকচবগী পাঙ্গলসু নাকোইননা ঙাকথোকছবসু হ্যুমস য়াম্না য়াওবা হিংকুপ মথল য়াম্বা লৈবাক ওইবনা হেললি। লোইননা পাম্বিগী য়েকনববু মাঙহনবা তীনশিংগী(নেচরেল এনিমি) মশিং হেনগৎপসু ঙমহল্লি।

লৈবাকপু থা ৯ হেন্না কুপশিন্দুনা লৈবগা লোইননা পাম্বি মথল য়াম্না থাবনা ঈশিং য়াম্না চঙদবা পাম্বিসু য়াওরকপা মরম্না এনরজি/পাৱর চঙবা বোর ৱেলনচিংবা শিজিন্নবগী চাংসু হন্থরনি। মনানা লৈবাক কুপশিনবগী চাং ৱাংবনা লৈবাক্কি মৈশাসু হন্থহল্লি।

পাম্বি মথল মথা য়াম্না থাবগী চৎনা কাঙলোনঃ

- মফমদুগি লৈহাওগা চানবা
- মফমদুগী ঈশিং নুংশিৎকা চানবা
- নোংজুগী থেন্নবদা থাঙবা ঙম্বা

## লৈবাক্তা লৈহাও পিবা:

**বাইও** ষ্টিম্যুলেন্ট শিজিন্নবনা ফত্তবা ফিভমশিংদা থাঙবা ঙমহল্লি। মরু ওইনা পোত্থোক্কি মগুন হেন্দুনা লায়না তীন্নদগী ঙাকথোকপগী পাঙ্গল হেললি।

লৈহাও হাপ্পা
বাইও ষ্টিম্যুলেন্টশিংনা পাম্বিশিংদসু মচিঙ্গাক পি

- বীজাম্রুতম
- জীভাম্রুতম
- পোলট্রি মেন্যুর





বাইও ষ্টিমুলেন্ট শিজিন্নবনা লৈহাও কাহএমবি;

- চাথোক ৱাংবা, পোৎ মখল য়াম্মগা শেঙ্গঙ হন্থবা
- লৈবাক লৈহাও হেনগৎপা
- লৈহাওগী কার্বোন হেনগৎপা
- পাম্বিগী ঈশিং চঙবা হন্থবা, নুংশিৎতগী ঈনীল হেন্না ফাজিনবা
- অকনবা ঈশিং নুংশিৎ, নোংজু নুংশা থাঙবা ঙম্বা


লৈবাক্তা হিংকুপশিং বিলিয়ন কয়া অমা য়াওরি, রশায়নগী পোৎলম শিজিন্নবনা মখোয়গী মচিঙ্গাক পিবিদ্রে। মহৌশাগী লৌউনা পাম্বিগী মচিঙ্গাক নিংথিনা পিবা ঙমহল্লি। হ্যমস্কী চাংসু চহি খুদিংগী হাপকৎলি। ওর্গানিক কার্বোনসু হাপকত্তুনা লৈহাও কাহল্লি।

| পোৎচঙ | উপায় |
| --- | --- |
| • লৈবাক্তা ওর্গানিক মেতর হেলহনবা ( লৈবাক্কি স্পোঞ্জ) | • লৌউ পোত্থোক থাবগী মওংনা লৌফম মশাদা বাইওমাস পুথোকপা |
| • লৈমায়দগী ঈনীল মাঙবা হন্থহনবা, লৈমায় কনশিনহন্দবা | • লৈমায় কুপ্পা পাম্বি, মলচ তৌদুনা হকথেংননা নুংশা য়ৈহন্দবা |
| • মৈশা হন্থহন্দুনা ওর্গানিক মেটর কংহন্দবা | • চহি চুপ্পা লৈমায় কুপশিনবা |
| **লৈবাক্তা থৱায় পানবশিং অমসুং হিংকুপ** | |

| | |
|---|---|
| • লৈবাক্তা থৱায় পানবশিংগী মথৌ হেনগৎপা | • মখল মথা য়াম্বা পাম্বিশিংগী থেন্না অমসুং লুনা চৎপা মরাশিং |
| • হিংকুপশিংগী মথৌ হেনগৎপা | • বাইও স্তিম্যুলেন্তস :বীজাম্রুতম, জীভাম্রুতম, (অনঙবা/মহি) লৈবাক্তা নত্রগা মনাদা চাইবা |
| • লৈবাক্তা অকায়বা পিদবা | • খজিক্তং/শুকখোই খোইদবা |
| লৈবাক লৈহাওবু য়োকখৎপা | |
| • ঈচেলনা লৈহাও চেন্থোকপা | • লৈহাওবু কনবা –পাম্বৈশিং |
| | • ঈচেলশিংবু লোকপা, থাক্লৌ শেম্বা |
| | • লইবাক/নুংচাক্কি পল শেম্বা |
| | ঈচেলগী খোংজেল হন্থহনবা-চেকশিন্না থাবা |

## লায়না তীন্না শেন্নবা:

মহৌশাগী লৌউদা, পাম্বিগী য়েকনবশিংবু মশানা মহৌশাগী য়েকনবনা (নেচরেল এনিমি) অমদি মহিকশিংনা ঙাকথোকচৈ। অকোয়বদা লৈরিবা মহৌশাগী য়েকনবগিসু মথক্তা পাম্বিগী মশা ঙাকথোকচনবা পাম্বৈনসু অচৌবা থৌদাং লৌজে।




লায়না তীন্না তারকপা ঙাকথোকনবা পাম্বৈথক শিজিন্নবগী মওংনি। লৌউ মওং অসিদদি হেক্সিল্লকপগী তাঞ্জা য়ৌরকপা মতমদতা পাম্বিশিংদগী শুংবা অমদি অতৈ নেচরেল ওইবা কন্ন নবা পাম্বৈশিং শিজিন্নরিবা।

**ঙাকথোকনবা ঊপায়শিং মখাদা পিরিঃ**

- বিজাম্রুতনা সীদ ত্রিট্মেন্ট তৌবা
- পঞ্চগভ্যা চাইবা(পাম্বিগী গ্রোথ প্রোমোতর অমসুং লায়না তীন্না ঙাকথোকনবা) পাম্বি মখলনা লায়না লাকপা অমসুং তানখোকপা
- কোয়শিন্না থানবা পাম্বি
- লাং ওইবা পাম্বি
- নাপু, অঙৌবা অমসুং হিগককি নপ্পবা প্লেত
- মঙালগী লাং
- ফেরোমোন লাং
- উচেক তোংনবা কায়দোংফম

মহৌশাগী অকোয়বদা লৈজবা নেচরেল এনিমিগী মথক্তা পাম্বিগী ঙাকথোকচনবা পাঙ্গল অতোপ্পা ঙাকথোকনবা উপাইশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌই। পাক শন্না লায়না তীন্না শন্দোরকপদা চাং নাইনা জীভাম্রুত চাইবা অমসুং মলচিং তৌবনা কনবা ঙম্মী। মখল মখাগী পাম্বি য়াম্না থাবা অমসুং অকোয়বদ থাবা য়াবা পাম্বি থাবগা লোইননা পাম্বি মখলশিং য়ান্নদুনা থাবনা লায়না তীন্না কয়াদগী ঙাকথোকপা অমসুং কনবা ঙমহল্লি।

ঙাকথোকনবা উপাইশিং মখাদা পিরিঃ

- অফবা মরুনা থাবা
- ঙাকথোচবা ঙম্বা মখল থাবা
- বীজাম্রুতনা মরু তোৎপা
- থাবগী মতম শেমদোকপা
- পাম্বি মখল য়াম্না থাবা, বোর্দর ক্রোপ, পুন্না থামিন্নবা(ইন্টর ক্রোপ)
- লৈমায় কুপশিনবা
- লৈমাই কুপ্পবা পোৎলমদা তোয়না জীভাম্রুত চাইদুনা কান্নবা হিংকুপশিং মশিং হেনগৎহনবা ( মসিনা লায়না শন্দোকপদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি)।